# নিজামউদ্দিন মীফম য়াওখিবা মীওই ১০গা লোয়নন্না লৈফম পীরুবা মীওই অহুমগী মথক্তা কেস লৌখৎখ্রে

***নোইদা, এপ্রিল, ১১(এজেন্সি)ঃ*** মহারাষ্ট্রদগী দিল্লিগী নিজামউদ্দিনদা টাব্লিঘি জামাত মীফম য়াওখিবা মীওই ১০দা লৈফম পীখিবা অমসুং কোরোনাভাইরস লাইচৎ শন্দোরকপা মরমদগী থল্লিবা অথিংবশিং থুগাইবগীদমক গ্রেটর নোইদাগী মীওই ৩ মরান শীখ্রে হায়না ইরাই নুমিৎতা পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।



পুলিসনা কেস লৌখৎলিবা টাব্লিঘি জামাত মীফমদা য়াওখিবা মহারাষ্ট্রদগী মীওই ১০ অদুগী মনুংদা নুপী ৩সু য়াওরি।

মীফম অদুদা য়াওখিবা মীওই লিশিং কয়া নোবেল কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইখিবা মতুংদগী হৌখিবা থাদা দিল্লিদা পাংথোকখিবা ইস্লামিক সেক্ত অদুগী মীফম অদু অচৌবা ৱাথোক অমগী হৌরকফম ওইখ্রে।

লুহোংলবা মতে–মনাও ৫–মীওই ১০ অদু মহারাষ্ট্রগী বীদ অমসুং ওস্মানাবাদ দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকখিবনি। অদুগা গ্রেটর নোইদাগী বেগমপুর খূঙ্গংদা লৈবা মীওই ৩না লৈফম পীখিবনি হায়না পুলিসনা হায়রি।

এফ আই আর রেজিষ্টার তৌখ্রে অদুবু কনামত্তা ফাদ্রি হায়না সেন্ট্রেল নোইদাগী দিপুটি কমিস্নার ওফ পুলিস হরিশ চন্দেরনা হায়খি। এফ আই আর অদুদা মমিং পল্লিবা গ্রেটর নোইদাগী মীওইশিং অদুদি ইমাম মোহমদ, রাজ মোহমদ অমসুং নাজিমনি।

ওফিসিয়েলশিংগী মতুং ইন্না লম চৎলুবগী ৱারি লোৎশিনবা, লাইওংশিং লৈবা নৎত্রগা চপ চানা নারে খঙবগুম্বা কোরোনাভাইরসকী মতাংদা ঈ–পাউ লোৎশিন্দুনা থম্বা অসি আইনগী মখাদা মরান অমনি।

ওফিসিয়েল মশীংগী মতুং ইন্না নোংচুপ থংবা উত্তর প্রদেশকী গৌতম বুধনগরদা হৌজিক ফাওবদা কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইবা মীওই ৬৩ শুখ্রে।

# কোরোনাভাইরসনা নোংমদা মীওই লিশিং অনী হেন্না শিবা অহানবা লৈবাক য়ু এস এনা ওইরে

***ৱাসিংটন, এপ্রিল, ১১(এজেন্সি)ঃ*** জোন্স হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটিনা পীবা অপুনবা মশীংগী মতুং ইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ২১০৮ শিদুনা সুপ্নগী নোংমগী মনুংদা কোরোনাভাইরস নাবদগী মীওই ২০০ হেন্না শিবগী রেকোর্দ লৈবদা ঙরাং ইরাই নুমিৎতা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অহানবা লৈবাক অদু ওইখ্রে।



য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৌজিক কোভিদ–১৯গী লাইচৎ অসিদগী পুন্না মীওই ১৮,৫৮৬ শিবগী রেকোর্দ লৈখ্রে অমসুং গ্লোবেল পান্দেমিক অসিদা হৌজিক ফাওবদা খ্বাইদগী হেন্না শিবা ইটালিদা শিখিবা অপুনবা মশীং ১৮,৮৪৯ অদুগা মান্নরক্নদৌরে।

হৌজিক অমেরিকানা কোভিদ–১৯না চপ চানা নারে খঙলবা মীওই মিল্লিয়ন তঙ্খায় অমরোম য়ৌরক্নদৌরে। মসি হৌখিবা পুং ২৪দা অনাবা ৩৫,০৯৮ হেনগৎলক্তুনা ০০৩০ জি এম টি থাংজদা ৪,৯৬,৫৩৫ য়ৌখ্রে।

ৱাসিংটনদা লৈবা জোন্স হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটিগী খ্বাইদগী নৌবা দাটাগী মতুং ইন্না মালেমগী ওইনা কোরোনাভাইরস নাবদগী শিবা মশীং অসি ১,০৪,৮৩০ য়ৌখ্রে। অনাবগী মশীংনা ১.৬ মিল্লিয়ন য়ৌখ্রে।

য়ুনিভসিটি অসিগী সেন্টর ফোর সিষ্টেমস সাইন্স এন্দ ইঞ্জিনিয়ারিং (সি এস এস ই)গী মতুং ইন্না থাংজ নুমিৎকী অয়ুক ফাওবদা অপুনবা অনাবগী মশীং ৭,২৩,৭৩৫ য়ৌখ্রে। তমথিরবা লাইচৎ অসিদগী ফগৎলকখিবা অনাবগী মশীংনা ৩,৯৮,৩৪৯নি।

অনাবা মশীংগী ওইনা য়ু এসতা ৫,০৩,৮৪৭ ওইদুনা মালেমগী মনুংদা খ্বাইগী মকোকতা লৈরি, মথংদা স্পেন (১,৬১,৮৫২), ইটালি (১,৪৭,৫৭৭) অমসুং ফ্রান্স (১২৫৯৩১)নি।

মালেম পাকশনবদা শন্দোরক্লিবা তমথিরবা কোভিদ–১৯ লাইচৎনা নাবগী খ্বাইদগী মশীং য়ান্না শিবগী মথং–মনাও অদুদি ইটালি ১৮,৮৪৯, য়ু এস ১৮,৮৫০, স্পেন ১৬,৩৫৩ অমসুং ফ্রান্স ১৩,১৯৭নি।

মালেম পাকশনবা লাইচৎ হায়বদি পান্দেমিক অসি ২০১৯গী দিসেম্বরদা চিনাদগী হৌরকখিবা ওইজরবসু লৈবাক অসিদা লাইচৎ অসিনা নাহনখিবা মীগী মশীং ৮৩০০৩ খক্তমক ওইবগা লোয়নন্না সুপ্নগী অনাবা ৩,৩৪৩ খক শিখি।

# দিল্লিগী ইস্লামিক সেক্তকী মীফমগা মরী লৈনন্না ভোপালদা মীরৈবাক মচা ৬৪গী মথক্তা কেস লৌখৎখ্রে

***ভোপাল, এপ্রিল, ১১(এজেন্সি)ঃ*** ইস্লামিক সেক্ত তাব্লিঘি জামাতকী দিল্লিদা ফমখিবা মীফম, লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরস নাবগী খ্বাইদগী চাওবা ক্লষ্টর অদুগা মরী লৈনন্না মধ্য প্রদেশ পুলিসনা মীরৈবাক মচা ৬৪গী মথক্তা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

মখোয়বু ওফিসিয়েল ওর্দর অমসুং ভিসা রুলস থুগাইবগী মরান শীখ্রে। ইন্দোনেসিয়া, ম্যান্মার অমসুং আইভোরি কোষ্টকী কোরোনাভাইরসকী চিংনবশিং অদু ক্বারেন্টিন তৌখ্রে। মসিগী মথক্তা জামাত মেম্বরশিং অদু তেংবাংখিবগীদমক ইন্দিয়ান ১০ অমসুং মখোয়দা লৈফম পীখিবা লমসিগী মীওই ১৩গী মথক্তসু কেস অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে।

কেস লৌখৎখ্রবা মীওই পূন্নমক অদু কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইরবা তুংদা হোস্পিটালশিংদা লায়েংলি নৎত্রগা ক্বারেন্টিন তৌখ্রে হায়না সেনিয়ার ভোপাল পুলিস ওফিসার উপেন্দ্র জেননা হায়খি।

মখোয় অদু কোরোনাভাইরস লৈত্রে অমসুং মশা ফরে, লোয়নন্না লাইচৎ অদু শন্দোক্নরোই হায়না মেদিকেলগী ওইনা চপচানা খঙলবা মতুং খক্তদা মখোয়বু ফাগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। ষ্টেট অসিদা তমথিরবা লায়না অসিগী ইপিসেন্টর অদু ওইরকখ্রবা ইন্দোরদা কোরোনাভাইরস নাবা ২৩৫ লৈ।

# পাকিষ্টাননা চিনাদগী মেদিকেল সপ্লাইশিং হেন্না ফংলগনি

***ইস্লামবাদ, এপ্রিল, ১১(এজেন্সি)ঃ*** কোরোনাভাইরসনা নাবা মশীং য়ান্না নেগৎলক্তুনা ৪,৭৮৮ য়ৌখ্রবা অমসুং শিবসু ৭১ য়ৌখ্রবা পাকিষ্টাননা লাইচৎ অসি থেংননবা মখোয়গী মতম পূন্নমক্কী খোঙবু ওইরিবা চিনাদগী মেদিকেল সপ্লাইশিং হেন্না ফংলগনি হায়না থাংজ নুমিৎতা ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ নেসনেল হেল্ঠ সার্ভিসেসনা মসিগী ৱেবসাইটতা অগনবা অয়ুক ফাওবগী অনৌবা পাউদা হৌখিবা পুং ২৪দা অনাবা ৫ কোরোনাভাইরসতগী শিখি হায়খি।

নৌনা নাবা ১৯০ হেনবগা লোয়নন্না ঙসি থাংজ নুমিৎতা অনাবগী মশীং পুন্না ৪,৭৮৮ য়ৌখ্রে, ৮১ সিখ্রে ৭৬২ রোম লায়না অসিদগী ফখ্রে অদুবু ৫০ অরুবা ফিভমদা লৈরি হায়খি।

চিনাদগী অহেনবা মেদিকেল সপ্লাইশিংগা লোয়নন্না পাকিষ্টান ইন্টরনেসনেল এয়ারলাইন (পি আই এ)গী স্পিসিয়েল প্লেন অমা থুংলরগনি। মসি নুমিৎ নীনিগী মনুংদা থুলবদা ২শুবা প্লেননি হায়না চিনাদা পাকিষ্টানগী এম্বেসেদর নাঘমনা হসমিনা হায়খি।

কৎলকপা ভেন্টিলেটর ৫০, পি পি ই (পার্সোনেল প্রোটেটিব ইক্যুপমেন্ট)কা লোয়নন্না পি আই এগী অখন্নবা প্লেন অমা ঙসি ইস্লামাবাদকীদমক চেংদু থাদোকখ্রগনি।

বৈজিংদগী তেংবাং পোৎলমশিং পুরকপা প্লেন অমা ঙরাং চৎখ্রে হায়না মহাক্না ত্বিট তৌখি।

মালেমগী তোঙান–তোঙানবা লৈবাক কয়ামরুমদা হল্লকপা ঙমদনা লৈরিবা পাকিষ্টানি ৪০,০০০ রোম পুরক্নবগী লম্বীশিং খন্ননবা ফোরেন মিনিষ্টর শাহ মহমুদ কুরেসিনা থাংজ নুমিৎতা ওফিসিয়েলশিংগী মীফম অমা পাংথোকখ্রে।

# য়ু কেনা ঙসি ইন্দিয়াদগী থারকপা পেরাসিটামোল দোজ মিল্লিয়ন অহুম অহানবা ওইনা ফংলগনি

***লন্দন, এপ্রিল, ১১(এজেন্সি)ঃ*** কোরোনাভাইরস পান্দেমিক থোক্লকপদগী এক্সপোর্টতা অথিংবা থম্বদু ন্যু দিল্লিনা লৌথোকখ্রবগী মতুং মরুওইরবা পেরাসিটামোল থারক্নবগী অয়াবা পীখিবগীদমক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টপু য়ু কেনা থাগৎখ্রে অমসুং হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎতা লৈবাক অসিনা ইন্দিয়াদগী পেরাসিটামোল পেকেট মিল্লিয়ন ৩গী অহানবা থারকপা অদু ফংলগনি।



ফোরেন এন্দ কম্মনৱেল্ঠ ওফিস (এফ সি ও) অমসুং সাউথ এসিয়াগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট টারিক অহমদনা ঙরাং ইরাই নুমিৎতা থারক্লিবা অদু মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মালেমগী ৱাথোক অসিদা লৈবাক অনীনা তেংবাংনবগী মওংদা থবক তৌবগী খুদম ওইনিংঙাই মশক অমনি হায়খি।

হিদাক্কী মপোৎ অদু নোংমাইজিং নুমিৎতা প্লেন অমদা থুংলরগনি। মদু ইন্দিয়ানা কোরোনাভাইরসকী লোকদাউন চখবা অসিদগী পন্দুনা লৈরিবা বৃটিসকী মীওই লিশিং কয়া পুনবা য়ু কে গভর্ণমেন্টনা থৌরাং তৌবা চার্টর ফ্লাইট কয়ামরুম লাক্নদৌরিবা অদুদা ফাংনগনি।

লাক্লিবা চয়োল অসিদা চৎকদৌরিবা মীওইশিং অদু কোচি ফাওরগা থিরুভনন্থপুরম, অহমেদাবাদ, অমৃতসর, দিল্লি, মুম্বাই, গৱাদগী অমসুং বেঙ্গলুরু ফাওরগা চেন্নাই, কোলকটা অমসুং হায়দরবাততগী পাইরক্কনি। চার্টর ফ্লাইটশিং অদু তোংহন্দ্রিঙৈগী মমাঙ মখোয়বু নোবেল কোরোনাভাইরসকী লাইওংশিং লৈব্রা চেক তৌগনি অমসুং য়ু কেন্দা তারকপদসু য়ু কেন্দা লৈরিবা অতৈ সিটিজেনশিংগুম্না মখোয় চপ মান্নবা সেল্ফ–আইসোলেসন অমসুং সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং তৌহনগনি হায়না এফ সি ওনা হায়খি।

ইন্দিয়াদা হৌজিক চাওরাক্না বৃটিসকী মীওই ২১,০০০ রোম লৈ। মসিগী মনুংদগী ৫,০০০ রোম চয়োল লোইশিল্লকপা নুমিৎতা ময়ুম লৈবাক্তা থাখ্রগনি।

# কোভিদ–১৯না য়ু কেদা নোংমদা মীওই ৯৮০ শিখ্রে, স্পেনদা থংন–থংননা নুমিৎ হুন্নি শিবগী চাং হন্থরকখ্রে

***মাদ্রিদ, এপ্রিল, ১১(এজেন্সি)ঃ*** ইকোনকোনবা পাউদম অদুগী মতুংদগী পুং ২৪গী মতমগী মনুংদা বৃটেনদা নোংমগী শিবদা খ্বাইদগী ৱাংবা ওইনা মীওই ৯৮০ শিখ্রে হায়না হেল্ঠ সেক্রেটরি মাট্ট হেনকোকনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯না নাবগী মশীং ৮৭,৯৯১ হেনখিবগা লোয়নন্না য়ু কেগী হোস্পিটালশিংদা কোভিদ–১৯দগী পুন্না শিখিবা মশীং ৯,৮৭৫ য়ৌরে।

য়ু এস অমসুং য়ু কেগুম্বা লৈবাকশিংদা কোভিদ–১৯ নাবা অমসুং লাইচৎ অসিদগী শিবা মশীং হেনগৎলকখ্রবসু স্পেনগী ওইনদি কোরোনাভাইরসকী অনৌবা মখল অসিদগী শিবগী নোংমগী মশীং অদু থংন–থংননা হুন্নি শুবা নুমিৎ ঙসি থাংজ নুমিৎতা হন্থরকখ্রে অমসুং মীওই ৫১০খক্তমক নুমিৎ অসিদা শিখ্রে। মশীং অসি মালেমদা কোভিদ–১৯ লাইচৎনা খ্বইদগী থীনা শেক্লবা লৈবাকশিংগী মনুংদগী অমা ওইরিবা স্পেনদা মার্চ ২৩গী মতুংদগী নুমিৎ খুদিংগী হেনগৎলকপদা খ্বাইদগী পীকপা মশীংনি।

হৌখিবা পুং ২৪দা কোভিদ–১৯দগী শিখিবা লৈবাক অসিগী অপুনবা মশীং ১৬,৩৫৩ য়ৌখ্রে। লাইচৎ অসিনা নাবা মশীংনা হৌখিবা পুং ২৪দা ৪,৮০০ হেনগৎলক্তুনা ১,৬১,৮৫২ য়ৌখ্রে।

চয়োল অমা থোঙ লোন্দুনা লৈখিবা অদুগী মতুং কম্পেনি খরা অমুক হাংদোক্লকখিবগা নিংথৌকাবা নুমিৎতগীদি মেট্রো অমসুং ট্রেন ষ্টেসনশিংদা মাস্কশিং য়েল্লগনি হায়না হেল্ঠ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

মালেম পাকশন্না শন্দোকপা লাইচৎ অসিগী মতোললোম্বা তাঙ্ক অদু য়ৌখ্রে হায়না হেল্ঠ চিফশিংনা হায়রবসু মখোয়না মীয়ামদা ভাইরস অসি শন্দোকপা তপথহন্নবা এপ্রিল ১৪দা থমখিবা লৈবাকশিনবা থুংবা লোকদাউন অদু চেৎনা ঙাক্নবা মীয়ামদা আপিল তৌখি। অথিংবশিং অদু য়ামদ্রবদা এপ্রিল ২৫ ফাওবা লৈখিগনি।

অমরোমদা টর্কিগী হোস্পিটালদা মশাগী চহী ৯৩ শুরবা কোভিদ–১৯ নাবা অমা ফদুনা ময়ুমদা হনখিবদা আশাগী মঙাল উখ্রে।

ইষ্টানবুলদগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না মহাক্কী ডোক্টরশিংনা য়ান্না হরাওব–নুংঙাইবা ফোঙদোকখিবা মশাগী চহী ৯৩ শুরবী আলয়ে গুদুজ কৌবী অদু লায়েংবা নুমিৎ ১০নিগী মতুংদা নোবেল কোরোনাভাইরসতগী ফগৎলক্তুনা ইষ্টানবুল হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে।

টর্কিবু থীনা শোকহনখিবা লাইচৎ অসি মখোয়না লান্থেংনরকখিবদা ইষ্টানবুলদগী সেরাহপশা মেদিকেল ফেকল্টি হোস্পিটালগী হেল্ঠ ৱার্করশিংগী মফমদা অহল ওইরবা মীশিংবু মরুওইনা হাৎপা লায়না অসিদগী মহাক্না ফগৎলকখিবা অদুনা আশা খরা পীরে।

মসি য়ান্না আশা লৈনিংঙাইনি, মরমদি চহী মতাং অসিদা অমসুং ক্রোনিক দিজিজশিং লৈবা অনাবশিং অয়াম্বা মতমদা কোভিদ–১৯দগী খ্বাইদগী ৱাংনা খুদোঙথিনিংঙাই ওইবা মরন্না ফগৎলকপা ঙমদে হায়না চীফ ফিজিসিয়ান জেকায়ি কুতলুবেনা এ এফ পিদা হায়খি।

চহী ৯৩ শুরবী হনুবী অমনা মশা ফনা অমসুং শাফনা ইন্টেন্সিব কিয়ারদগী থোকখিবা অদু ঐখোয়গীদমক অমসুং মহাক্কী চহীগী কোরোনাভাইরস নাবা অতৈশিংগীদমক য়ান্না আশা তৌনিংঙাইনি। টর্কিদা লাইচৎ অসিনা মীওই ৪৭,০২৯নাখ্রে, ১,০০৬, শিখ্রে।

# আর্মি ওফিসারগী অরোইবা মথৌ–মঙমগীদমক মমা–মপাবু কিলোমিটর ২,৬০০ নমদুনা চৎহনখিবদা শাওনখ্রে



***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল, ১১(এজেন্সি)ঃ*** মশাগী চহী ৩৯ শুরবা শৌর্য্য চক্র ফংবা দেকোরেটেদ ওফিসার অমগী মমা–মপাশিং অদুবু মখোয়গী মচানুপা অদুগী অরোইবা মথৌ–মঙম লাইশোন পাংথোক্নবা অমৃতসর অমসুং বেঙ্গলুরুগী মরক্তা কিলোমিটর ২৬০০ হেন্না শাংববু লম্বীদা নমদুনা চৎহনখিবদা আর্মি ভেটেরান কয়ামরুম শাওনখ্রে।

আর্মিগী ইলাইট ২ পারা য়ুনিট কম্মান্দ তৌখিবা স্পিসিয়েল ফোর্সেস ওফিসার কর্নেল এন এস বাল ইরাই নুমিৎতা কেন্সর মখল অমগী মায়োক্তা মহাক্কী লান্থেং মায়থিখি। মদুগী মমাঙগী নুমিৎতা বেঙ্গলুরুদা লৈবা হোস্পিটালগী ফমুং অমগী মথক্তা নোক্তুনা লৈবা মহাক্কী শক্তম উৎপা সেলফি অমা মহাক্না থারক্লমখি। লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ৩শুবা গেলেন্ট্রি এৱার্দ ওইরিবা শৌর্য্য চক্র ফংবা কর্নেল বালবু অচৌবা লুচিংবা অমনি হায়না খঙনৈ।

মহাক শিবা মতম অদুদা অমৃতশরদা লৈবা মহাক্কী মমা–মপা অদু কোরোনাভাইরস শন্দোকপা লাক্সিন্নবা মার্চ ২৫দগী হৌখিবা লৈবাকশিনব থুংবা লোকদাউন মরক্তা মাগী অরোইবা লাইশোন থৌরমগীদমক সর্ভিসেস এয়ারক্রাফ অমনা বেঙ্গলুরুদা চৎনবগী অয়াবা পীখিদে।

কর্নেল বি এল বালগী থৱাই য়াওদ্রবা হকচাং অদু আর্মি এয়ারক্রাফনা য়ুমদা পুখি অদুবু মহাক্কী মমা–মপাশিংনা মহাক্কী অরোইবা মথৌ–মঙম অদু বেঙ্গলুরুদা পাংথোকপা পামখি হায়না আর্মিগী মনুংদগী লিখুনশিংনা ফোঙদোকখি।

মখোয়না মচানুপাগী অরোইবা মথৌ–মঙম অদুগীদমক লৈখা লম্বীদা চাওরাক্না কিলোমিটর ২,৬০০রোমগী লমশাং চৎনবা ৱারেপ লৌখি।

মরকসিদা গভর্ণমেন্ট মনুংগী লিখুনশিংনা ফোঙদোকপদা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী হকচাং খুদক্তা মতম পূন্নমক্তা হলহনখি, মদুদা আর্ম ফোর্সশিং অমসুং পুলিস ফোর্সশিংগী হেক থংনবা ইমুংগী মীওইদা সার্ভিসেস এয়ারক্রাফ পীনবগী মমাঙদা অমুক্তা তৌখিদবা থবক অমা তৌবা ঙম্লোই, ফংলিবা মিলিটরিগী এয়ারক্রাফকী মশীংসু অকক্লবনি হায়খি।

# মধ্য প্রদেশতা রিলায়েন্স পৱার প্লান্টতা এশ লিক ওইবদগী মীওই অনী শিখ্রে, মরিনা থিবা খঙদ্রি

***সিংগ্রাউলি, এপ্রিল, ১১(এজেন্সি)ঃ*** মধ্য প্রদেশকী সিংগ্রাউলিদা রিলায়েন্স পৱারনা চল্লাইবা কোল (কোয়লা) পৱার প্লান্ট অমদগী হূ চেনবা অরেমখাকশিং থম্ফম ওইবা আর্টিফিসিয়েল পুখ্রি অমদা ইরাইগী নুমিদাংৱাইরমদা য়ুরকপদগী মশাগী চহী ৩৫ শুরবা নুপা অমা অমসুং চহী ৮ শুরবা নুপামচা অমগা খূঞ্জা ২ শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা মীওই ৪ থিবা খঙদ্রি।

ষ্টেটকী কোনুং ভোপালদগী কিলোমিটর ৬৮০ রোম লাপ্পা কোয়লাদা য়ুমফম ওইবা পৱার প্লান্ট ১০ লৈবা সিংগ্রাউলিদা হৌখিবা চহী ১দা মসিনা এশ লিক ওইবগী থৌদোক ৩ শুবনি।



অতৈ খূঞ্জাশিং থিবগী ওপরেসনদা নেসনেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স নৎত্রগা এন দি আর এফকী মেম্বর ৩০গী টিম অমা য়াওখি। হৌজিক ফাওবদা চহী ৮গী নুপামচা অমা অমসুং ৩৫ শুরবা নুপাঅমগগী হকচাং ২ উৎ অদুগী মরক্তগী ফংলে হায়না সিংগ্রাওলি দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টর কি ভি এস চৌধরিনা হায়খি।

মফম অদু উত্তর প্রদেশকা তাইনবা ঙমখৈ রোমদা কিলোমিটর ৭ রোম লাপ্লি। নুপামচা অদুগী মচে চহী ৯ শুরবী, মহাক্কী মমা অমসুং চহী ৩৫ শুরবা নুপা অদুগী চহী ৩ শুরবা নুপামচা হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদ্রি হায়না মহাক্না হায়খি।

রিলায়েন্স পৱার প্লান্টতগী হূ চেনবা এশ য়ুরকখিবগী থৌদোক অদুদা নুপী ২সু শোকখি অদুবু অনকপা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখ্রে অমসুং মখোয়গী ফিভম শোকচিন্দনা লৈরি। থিবা খঙদ্রিবা খূঞ্জাশিং অদু ফংনবা ঐখোয়না অঙম্বা থাক্তা ফজনা হোৎনরি।

মহৈ–মরোংশিংসু শোকহনখ্রে। ঐখোয়না কম্পেন্সেসন পীহন্নবা অমসুং একাউন্টেবিলিটি লেপ্পবা থবক লৌখৎকনি হায়না মিষ্টর চৌধরিনা মখা তাখি।

# এম্বুলেন্স ফংদবদগী মমানা চহী ৩ শুরবা মচানুপাগী অশিবা হকচাং কিলোমিটর ৪৮ শাংনা মখোঙনা পুদুনা লাকখ্রে

***জেহানাবাদ, এপ্রিল, ১১(এজেন্সি)ঃ*** বিহারগী কোনুং পাতনাদগী কিলোমিটর ৪৮ লোম লাপ্পা জেহানাবাদতা গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা হোস্পিটালদা ইরাই নুমিৎতা শিখিবা মখোয়গী মচানুপা অদু এম্বুলেন্স অমা পিবিদবদগী মমাগা মপাগা অনী অদুবু অশিবা মচানুপা অদু পুদুনা মখোঙনা নমদুনা লাকহনখ্রে।



মমাঙদা মহাক নাখিবনি, লাইহৌ অমসুং লোক থুংখি। অহানবদা ঐখোয়গী খূঙ্গং শাহোপালদা লৈবা লৈকায়গী ডোক্টরশিংগা খন্নখি অদুবু মহাক ফিভম শোকচিল্লকখিবদগী ঐখোয়না লোকদাউনগী মরমদগী এম্বুলেন্স ফংদবনা টেম্পো অমা ৱাইদুনা জেহানাবাদকী হোস্পিটাল অমদা পুরকখি।

জেহানবাদকী সদর হোস্পিটালগী ডোক্টরশিং অদুনা ঐখোয়বু পাটনা মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিটাল (পি এম সি ঐচ)তা রিফর তৌখি। অদুবু ঐখোয়গীদমক এম্বুলেন্স থৌরাং তৌবিখিদে। ঐখোয়গী ইচানুপা শিখিবদু মসিগী থৌশাখিদবা অসিগী মরমদগীনি হায়না অঙাং অদুগী মপানা হায়খি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা ভিদিও অদু পাকশন্না শন্দোক্লকখ্রবদা মীওই কয়ানা ষ্টেট অসিদা হেল্ঠকিয়ার ফেসিলিটিশিং ৱাৎলিবশিং ৱাহং হংখি। ভিদিও ক্লিপ অদুনা অকনবা পাউখুমশিং পীনরকখি। লোকদাউন মরক্তা মমা অমনা মাগী মচাগী অশিবা হকচাং পুরি অমসুং এম্বুলেন্স লৈতবনা মাইল কয়া চৎলি।

বিহারদগী থম্মোয় শোক্লবা সিন অমনি হায়না য়ুজর অমনা ইরকখি।

মহাকপু মিং চনগদবা হোস্পিটাল অমা ফংনবা মফম অমদগী মফম অমদা চৎপদা মমাগী মতম্বাক্তা অঙাং অমা শিখ্রে। থম্মোয় কায়নিংঙাইনি হায়না অতোপ্পা য়ুজর অমনা ইখি। মসিগী ভিদিও অসিনা ঐবু য়ান্না খনফম খঙহন্দ্রে। অঙাং অদু অহানবদা অরৱালদগী জেহানাবাদতা, অদুদগী জেহানাবাদতগী পাটনাদা মথং–মথং রিফর তৌখি। মসিনি বিহারগী হেল্ঠ সিষ্টেম হায়না অতোপ্পা অমনা ইরাকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনা গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা সদর হোস্পিটালগী মেনেজর অমা সস্পেন্দ তৌখ্রে অমসুং ডোক্টর খরগী মথক্তা সো–কোজ নোটিস অমা তৌখ্রে।

অনাবশিংদা থেংথবা তৌদনা এম্বুলেন্স পীগদবনি। মসি মতৌ করন্না থোকখিবনো হায়বদু খঙনবা ঐখোয়না হোৎনগনি হায়না জেহানাবাদকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট নবীন কুমারনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

কোভিদ–১৯গী মতাংদগী লৈবাক পাকশন্না লোকদাউন তৌরিঙৈ মরক্তা এম্বুলেন্সশিং ফংদবদগী মখোয়গী মচা অদু মতম চানা লায়েংবা ঙমখিদ্রে হায়না মমা–মপাশিং অদুনা হায়খি।

মিনিট ১ রোম শাংবা য়েংবদা থম্মোয় শোকপা ভিদিও অমদা নুপী অদুনা উপাই লৈতনা কপ–লাওবদু উখি। ভিদিও অদু সোসিয়েল মেদিয়াদা পাকশন্না শন্দোক্লকখ্রে। মহাক্কী শিরবা মচানুপা অদু মখূৎনা কোশিল্লদুনা অমসুং মহাক্কী মপুরোইবা অদুনা মহাক্কী মনাক্তা লেপ্লদু উখি। কনাগুম্বা অমনা মতেং পাংনবগী হায়রকখিবা তাখি। অদুবু অঙাং অদুগী মপানা হৌজিক ঐখোয় এম্বুলেন্স অমগী মথৌ তাদ্রে হায়খি।

অঙাং অদুগী মপা গিরেজ কুমারগী মতুং ইন্না নুমিৎ নীনিগী

অয়েকপা লাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াওরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউ ঃ
ꯑꯌꯦꯛꯄꯥ ꯂꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗ ꯈꯦꯟꯅꯕ ꯇꯔꯨꯛ ꯌꯥꯎꯔꯤ, ꯈꯦꯟꯅꯕꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨ ꯄꯨꯊꯣꯛꯎ :



## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-434**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 6 | | 7 | 3 | | | | 1 |
| | 1 | 7 | 6 | | | | 2 | |
| | 2 | | | 1 | 5 | 7 | | |
| | 7 | 1 | | | 6 | | | 2 |
| 6 | 4 | | | | 7 | | 5 | |
| 2 | | 8 | 5 | | | | 1 | |
| | | 6 | 2 | | | 3 | | |
| | | | | 7 | 1 | | | 6 |
| 7 | | | 8 | | | 1 | | |

GAS TODAY
Santhel Bazar Indane Service
Home Delevery
12/04/20
Contact No-
700595308/ 6009772483
Booking : 26/01/20
Valid : 19/01/20
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

সনা–সুদোকু – ৪৩৩ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 1 | 3 | 7 | 9 | 8 | 4 | 6 | 2 |
| 6 | 7 | 8 | 4 | 2 | 1 | 3 | 5 | 9 |
| 4 | 9 | 2 | 6 | 5 | 3 | 8 | 1 | 7 |
| 9 | 5 | 7 | 8 | 3 | 4 | 1 | 2 | 6 |
| 2 | 3 | 4 | 5 | 1 | 6 | 9 | 7 | 8 |
| 8 | 6 | 1 | 2 | 7 | 9 | 5 | 4 | 3 |
| 1 | 8 | 6 | 3 | 4 | 7 | 2 | 9 | 5 |
| 3 | 4 | 5 | 9 | 6 | 2 | 7 | 8 | 1 |
| 7 | 2 | 9 | 1 | 8 | 5 | 6 | 3 | 4 |